# "য়ূমদা মোংবা চঙবা!"

**- এল ইবোমচা -**

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা ইপিসেন্টর ওইরগা ম্যান্মারগী কুকি মিলিটেন্ট খরনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরদা লান্দারক্লিবা অসি থা অনী হেল্লক্লে। লান অসি ঙসি ফরগদ্রা খল্লি ফত্তে, হয়েং ফরগদ্রা খল্লি ফবা কৌবা লৈতে। লান অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা মৈতৈশিংগী চীংয়াদা লৈবা য়ূমশিং নোংমা নোংমগী মৈ থারক্তুনা খুন কয়া উৎ ওল্লগা তুমখিবা য়াওরে। হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দা অটসুম (ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর) না শিন্দুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা চৎখিবা ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ রেল্লিদা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা হিংশাগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক অমত্তা থোকখিবা লৈত্রবসু চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইপিসেন্টর ওইরগা হিংশাগী থৌদোক ৱাথোক থোকপা হেক হৌখিবদগী কাংপোকপী অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টসু মথং মথং শন্দোরকখি। হিংশা য়াওবা থৌদোক ৱাথোকশিংনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা অতৈ ফুরুপশিংদা থোইদোক্লা শোকহনবা লৈত্রবসু মৈতৈ ফুরুপশিংগী ওইনদি লন থুম, শা-ষণ কয়া মাঙ তাকহনবা, মীওই কয়াগী মপুন্সি মাঙহনখিবা অমসুং য়ূম কয়ামা তাঙ্গৌই তানা মৈ থাদোকপীখ্রে। মসিনা মরম ওইরদুনা চহী লিশীং অনী হেনবগী মশাগী পুৱারীগা শাগোন্নবা লোন ময়েক, নাৎ চৎনবী য়াম্না শেংনা লৈজরিবা মৈতৈ ফুরুপ তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদবতা নত্তনা মরমদমদা রিফ্যুজি ওইরে। ঙসিনা করম থোক্লগবা, হয়েংনা করি ওইরগবা হায়বগী ৱাখলদা মৈতৈ পূম্নমক লৈতাফম খঙদনা লৈনরে। পীক্লিবা অঙাং কয়াদি মীপাই থবাইবনা কুকি পনবদা মশা থক-থক নিক্লরে। কুকিনা মীশিং হেন্না তাবা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, তেংনৌপলদগী লাঞ্জেল্লকপা মৈতৈশিংনা হেন্না মীপাইবা পোক্লখিদুনা ৱাখল লায়না ঙম্না নারে। হন্দক্কী ঈরাং অসিদা লৈখিদবা অমসুং অশোক অপন নংখিবশিং নোংমৈনা পানবদগী ঙাক্তনি। নোংমৈনা পানবদগী লৈখিদবা অমসুং অশোক অপন নংখিবশিং পূম্নমক চুড়াচান্দপুর, তেংনৌপল অমসুং কাংপোকপীগা লোন্নবদা লৈবা তম্পাক্কী মফমশিংদা থোকখিবা থৌদোকশিংদগী ঙাক্তনি। মসি কুকিশিংনা মতম কয়া চঙনা শেমগৎলকপা লান্মীগী চাংয়েং অদু মৈতৈ ফুরুপ্তা ওনশিল্লগা তৌরকপনি। লান অসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি থোক্লগনি হায়বসি মৈতৈ ফুরুপ্না খঙদবা নত্তে। মরম লৈতনা পুক ফরুবা অমসুং চেকশিনবা ৱাৎপা মদুগী খুদোংচাবদু কুকিশিংনা মৈতৈশিংদগী লৌখিবনি হায়বা য়াই। শম্না হায়রবদা পুক ফবগী শরুক ৱাৎলি হায়বদুমক্কি।

অশেংবমক্তি মৈতৈ অসি খরা চার-থক্লগা কোইচৎ চৎ, পংলৈদা লৈবা, পঙহিং হিংবা ফুরুপ অমদি নত্তবনি। য়েৎ-ওই, মাঙ-তুং য়েংনা থকসি খাসি ঙাক্লা হিংবা ফুরুপনি। অফ ফত্ত মশক মুন্না খঙবা, নাৎ চৎনবী য়াম্না ইকায়খুম্ননা চৎচবা অদুগী মথক্তা ঈশ্বর য়াম্না থাজনা নীংজবা ফুরুপ অমখক্নি। অদুনবু মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়রিবা বৃটিশকী নোংমৈ গুলি মরক অদুদা ঐখোয়গী থাঙশাংগা অকনবা লম্বা তৌনবা ঙম্লিবনি। কংলা মমাঙদা সাহেবকী অঙৌবা মকোক মঙা লৈমায় থক্তা তাহনখিবনি। মতমগী মতুংইন্না মালেমদা অহোংবা কয়া লাক্তুনসু মৈতৈ ফুরুপকী হান্নদগী লৈরকপা চৎন-লোনচৎ করিমত্তা মাঙহন্দনা চৎপা ঙম্বা ফুরুপ অমখক্নি। অদুনবু য়ূম অমা লিংবদা, লৈকায় অমা খুল্লিংনবা শেমগৎ শাগৎলকপা মতম অদুদা তৌবা য়াবা য়াদবা ময়াম অমগী নাৎ চৎনবী ঙাক্লগা পূন্না হিংমিন্নে। মরম অসিনা মৈতৈশিংনা নাৎ চৎনবীবু অদুক্কী মতিক ইকায় খুম্নে। মী অমনা মী অমদা কৌগদবা মীংগৌ মশা মশাগী চহীদা, ঈগী মরীদা, তাকপী তম্বীবদা য়েংলগা কৌনৈ ঙাঙনৈ। নুপা মশেলদা লেঙ্গা ওইরবদি মীং ওইনা নৎত্রগা ইতাও, মরুপ হায়না কৌনৈ। নুপী মশেলসু অদু মঙাই লেঙ্গা ওইরগনা মীং ওইনা নৎত্রগা ইতা হায়না কৌনৈ। মৈতৈদি মীয়োক মীচান হৈবদসু ফুরুপ অতৈনা কল্লক্লে। হায়বদি য়ূমদা নোংফাদোক লাকপা মীবু অদুক্কী মতিক তরাম্না ওকই। অৰৈবা পুথোক্তুনা চামিন্নে, থকমিন্নে, খূৎকা খূৎকা শম্নদুনা লৈকায় শিন থুংবদা কোইবা চৎমিন্নে। অরাপ্পা মফমদগী লাকচবা মীওই ওইরগনা অমুক্কা হেন্না ইকায়খুম্নবা উৎলি। হায়বদি অরাপ্পা মফমদগী মী মপূক্লিং পেন্নবা থৌগল তৌবী। মৈতৈশিংদি অতোপ্পবু অৱাংবা থাক্তা থৌগল তৌবা হায়বসি চাক পীজনবনা ওই। মরম অসিননি মৈতৈশিংনা মী অমা হেক উনবগা অহানবা মক্তদা চাক চারব্রা? করি এঞ্জাং চারকই? হায়দুনা হেক্তা হংনরিবা অসিনি।

মৈতৈশিংনা লৈবা খুঙ্গং লৈকায় খুদিংমক্তা মশাগী ওইবা লমজাও কন্দুনা থম্নে। কন্দুনা থল্লিবা লমজাও অদু লৈকায়গী মীশিং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না খুনগী অহল লমনশিং তাথোক তাশিন তৌনরগা তোঙান্না চারকপা মীওইশিং অদুদা লেম্না লম পীরগা খুন্দাহল্লি। মরম কয়া অসিদগী লৈকায় পুরিবা অহল লমনশিংনা য়ূমকোক মশীং খঙনবগা লোয়ননা মীগী মশীং ফাওবা চপ চানা হায়বা ঙম্নরম্মী। অতোপ্পা লমদগী মীতোপ খুন্দারদনবা হায়দুনা খুনগী অকোয়বদা লৈবা লম্হাং কন্নবগীদমক লাইকোন, শঞ্জাবুং শান্নবুং অমসুং লৈকায়গী পুখ্রি তৌরগা লম কন্দুনা থম্নরম্মী। লৈকায়দুগী মী ওইরবসু তৌনীংবতা পংতৌদা তৌবা য়াদনবা হায়দুনা লৈকায় মীয়াম মান্নরগা অথিংবা কয়া থম্মী। হায়বদি খুন লৈকায়না কোল্লিবা জগাশিংদা হৌরিবা উ-ৱা অমসুং ইরম খোংলম, খোংবাল চেকশিন্না ঙাক্তুনা থম্ননবা হোৎনৈ। মরমদি মসিনা লৈকায়দুগী সিমনা ওইনা তাকপদা শীজিন্নে। মী অমনা হেক্তা থোক্লক্লগা অহাঙবা মফম অমা লৈরে হায়দুনসু য়ূম শাজিনবা, লম খোপচিনবা লৈকায়না য়াহল্লমদে। অদুননি মমাঙঙৈ মতমদা মণিপুরগী মফম শিন থুংবদা উমং ৱামংনা পীক থন্না লৈরম্মী। মী অমনা হেক্তা চঙবা কিনবা হায়দুনা মফম অসি লাইফমনি, ভুট থোকই, হেলোই থোকই, লৈচ্রেং চাই, মীনা কৌরকপদা হাও হায়না খুমগনু অমসুং নাইতোম চৎকনু হায়না মীবু কিহল্লম্মী। মসিনা তাক্লিবদি মৈতৈ ফুরুপসি অদুক হাক্লা হন্থবা থাক্তা হিংলক্তে তাকপনি অদুগা হৌজিক্কী চাওখৎলবা বিজ্ঞানগসু য়াম্না চুশিন্নে, চান্নে তাকচৈ।

মতাং অসিৱাইদা হংবা য়াবা ৱাহং অমদি, অসুক চেকশিন্না খুন্দারকখিবা মৈতৈশিংনা করম্বা থাজরুবা লৈবদগী করিগীদমক কুকিশিংবু মণিপুরদা খুন্দাহনবগী অয়াবা পীরম্লিবনো হায়বসিনি। হায়বদি হীরম খদিংমক্তা য়াম্না চেকশিল্লগা কুকিশিংনা মণিপুরগী মনুংদা, চীংগী শরুকশিংদা মনীং মখা তম্না খুন্দারকপা মতমদা করিগী অথিংবা পীরমদবনো হায়বসিনি। মৈতৈ ফুরুপতি মীতোপ অমা ইমুংদা থুংলবদা সি ফাওবা চঙবা য়াই-য়াদে হায়বা লৈই চিংদুনা থম্মী। ফনা য়াম্না নুংশিনা তিন্নবা মরুপ মপাং ওইরসু ইমুংদা চংহনবা য়াদবা মতম লৈজে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা সনামহীদা কৎপা অথুম অহাও ফাওবা মীতোপ্তা পীজবা য়াহল্লমদে। অদুবু মতম অদুদা মৈতৈশিং করি লাই চঙখ্রবনো হায়বা খঙদে কুকিশিং চঙলকপদি ফ্রী থাখিবা মাল্লে। মসিগী খুদম হায়ববু নুপা মশেল ওইরগনা ইতাও হায়না কৌনরগা পুখম অমদা পূন্না চাক চামিন্নে। অদুগা করবার পূনবা নুপী মশেলনা ঙাই হায়না কৌনরগা য়ূমদা কৌরগা পুখম অমদা পূন্না চাক চামিন্নে। কুমজা ১৯৯৩ নাগা কুকি অনীগী লান্দসু মৈতৈশিংনা মখোয়গী মীচংদা লেপ্তুনা লান খাল্লুই। হন্দক্তসু মরৈবাক ম্যান্মারদা লৈবা য়াদ্রবা লমহেন তুহেনবা কুকি ময়াম অমা মীনুংশিদা রিফ্যুজি কেম্প খরা লিংদুনা মণিপুরদা চংজফম মফম পীখি। অদুবু ঙসিদি মখোয়বু চংজফম মফম পীরুবগী মহয় ওইনা মৈতৈ পূম্নমক তুম্না হাৎলগা মণিপুর মূথৎলগা কুকিলেন্দ অমা শেম্লগে হায়বগী পান্দম অমদা বোম, টোপ, নোংমৈ শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা লান্দারক্লে। লান অসিনা মরম ওইরগা মৈতৈশিং মরমদা রিফ্যুজি ওইরে। নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংবু চংজফম মফম পীরুব্রা হায়ববু 'য়ূমদা মোংবা চঙবা!' হায়বদুগা চপ মান্ননা ইমা লৈবাক মণিপুরগী মফমদা থোক্লে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কাঙলূপকী লান তোক্লসি, নুংশিনবনা ফত্তবরা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমদমসিদা মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমদগী মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা ৱাখল তানহৌদবদগী কুকি অমসুং মীতৈ অনীগী মরক্তা অচৌবা লাঞ্জাও থোকখি। থৌদোক্তুদা নাকল অনীমক্তা মীশি মীনা কয়া য়াওখি। নাকল অনীমক্কী য়ূম কয়া অমসুং লাইনীং লাইশোনগী মফম কয়াসু মৈ থাদোকখি। অসিগুম্বা কাঙলূপকী লানসিদা মরাল লৈজদ্রবা নুপী অঙাং, অহল কয়া অমা খা-ৱাং খঙদনা কোইচেন চেন্নখি। অসিদসু নত্তনা মরাল লৈজদ্রবা অহল অঙাং কয়াগী থৱায়সু মাঙনখি। লৈফম চাফম খঙদনা নুপী অঙাং কয়াসু মীগী সাইজিন শয়াদা শৈদাংফম লৌদুনা ঙসি ফাওবা লৈনরি।

মীওই কয়া অমনা ঐখোয়গী য়ূম মৈ থাদোকখ্রে, ঐখোয়গী থৱায় কনবীয়ু হায়না লাওখিবদি ঙসি ফাওবা তারি। অসিগুম্বা অৱাবা তারবা নাকল অনীগী মীওইশিংনা ৱানরিবা মতমসিদা লৈবাকসিগী অৱা অনাবু য়েংশিনবীগদবা মীওইশিংনা তাবীদনা লৈশিনবসি নুংঙাইতে। অদুবু মখোয় মখোয়গী ময়ূম মৈনা চাক্লকপা মতমদদি মণিপুরদা আইন লৈত্রে হায়দুনা লাওবা তাজে। মীচম মীয়ামগী চহী কয়াদগী ৱানা শেল তুংশিঞ্জরগা শেমগৎচরকখিবা ময়ূম কয়াদি মীৎনা কুপ্পদা উৎ ওনখিবদদি আইনসি লৈখিদবরা? মরাল লৈজদবা মীওই কয়া অমদি মাগী মাগী ফুরুপশিংবু ঙাক্লবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীদুনা ইখেং মরক্তা তাদুনা নারক মোংশোংদা লৈখিবশিংগীদি কনানসু অৱাবা ফোঙদোক্তনা মতম কয়া লৈখিবনি। লৈখিদ্রবশিং ঐখোয়গী ইচিল ইনাও ঙাক্তনি।

ঐখোয় খুদিংমক্লা থোক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাংসি নাকল অনীমক্কী ফুরুপশিংনা করিদগী থোকখ্রিবনো হায়বদু মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা মীওই অয়াম্বনা শোয়দনা খঙলমগনি। লান থোকখ্রবা মতুংদদি মানা লাল্লি, অমনা চুম্মী হায়দুনা কোইলাও লাওনরি। অমনা ঙাঙবা অমনা তানদ্রি। অমনা তৌবা থবক্তু অচুম্বনি হায়দুনা লাওনদুনা লৈনরি। কাঙলূপকী লানদি লোইখিরোই। হাৎনখিগনি, তাঞ্জা অমা হেক ফংনবদা মায়কৈ অনীগী মরক্তা নুংশিবগী মীনুংশি অমত্তা য়াওদনা হাৎনরি। অসিগুম্বা লানসিবু মীৎয়েংলোই ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তি নুংঙাইনা অৱাবা অমত্তা য়াওদনা লৈরি। মখোয়গীদি মচা-মশু, মমা মপা অমত্তা কায়নদে। ময়ূম মকৈ, লন থুম অমত্তসু মৈনা চাক্তে। অঙম্বশিংনা অমুক্তং য়েংবীয়ু, ঙসিগী কাঙলূপকী লানসিদা লাঞ্জেন্নদুনা উখোং ৱাখোং কয়াদা চংজফম লৌদুনা লৈজরিবা নুপী অঙাং, অহল নহা কয়ানা চাফম থকফম খঙদবমখৈ ময়ূম মকৈ, লন থুম ময়াম অমা মমাংমক্তদা মৈ থাখ্রবদা করম্না নুংঙাইনা লৈরমগদগে?

লানদি শোক্লরকখিবা কুইরক্লে। মীওইবগী মমল য়াল্লবা পুন্সি কয়া লোইখ্রে। লানসিবু খান্বীনবা মীসিবু ইরৈ লৈত্রবরা? নাকল অনীগী লংদাইদা লেপ্তুনা লানসিবু ৱারোইশিন পুবীরক্তুনা হান্নগুম্না নাকল অনীমক্লা নুংশিননা লৈহনবীয়ু। তোখাইনা লৈহনবীনু। মণিপুরসি মচেৎ থোক্লা খাইদোকপীগনু। লমদমসিদা লৈরিবশিংসি ইমা অমত্তগী মচা মশু ঙাক্তনি হায়বগী ৱাখলদা লৈবীরগা লানসিবু অমুক্তা খান্বীয়ু। নাকল অনীগী মীওইশিংনা উফুলগুম্না, উৎ ওইনা তুমদ্রিঙৈদা লানসিবু অমুক্তা খান্বীনবা লৈত্রবরা?

মণিপুরগী লৈঙাকলোইশিংনা অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী লুচিংবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা প্রজাশিংনা ৱানরিবা ময়ামসি কোক্লবা হোৎনবীয়ু। ঙসিমক থোক্লিবা মচিন মনাওগী ওইবা লানসিবু মপি মপা ওইবশিংনা অচুম্বা বীচার তৌবীদুনা খান্বীয়ু। তুং কোইনা মচিল মনাও নুংশিননা লৈমিন্ননবা থৌশিল শিনবীরম্মু। অরোইবদা মচিল মনাওগী (কাঙলূপকী লান) অসিদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রবা অমসুং তানখ্রবীশিংগী মফমদা মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মীৎকী পিনা মোংফমদা লৈ ওইনা কৎচরি। ঐখোয় মশেল নুংশিনদনবগী লানসি লেপ্লসি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী লৈঙাকলোইশিং, মণিপুরগী লৈঙাকলোইশিং অমদি মশক নাইরবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং লোইনা কোক চুংশিন্নবীদুনা চীং অমসুং তমদা চাক্লিবা মৈ, কাঙলূপকী লানসি অমুক্তা খান্বীরো, মণিপুর তুম্না মৈ হৌদুনা চাক্ত্রিঙৈদা!

**অদোমগী - ওইনাম কুঞ্জকেশোর, লাংজিং অচৌবা**

## ষ্টেটকী পাউ

### সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা চৈরাওচীংদা মরী লৈনবা মণিপুর পুলিসকী ওসি অমদি লৈকায়গী অয়াবা য়াওদনা চঙবা য়ারোই: মৈরা পায়বী

**ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):** সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা চৈরাওচীংদা মরী লৈনবা মণিপুর পুলিসকী ওসি অমদি লৈকায় মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা চঙবা য়ারোই। মখোয়না লাকপসি থাজদ্রে মরমদি মখোয়দি চীং উবা য়াদ্রে মখোয়গী বঙ্কর শাগদবগী লৈরিবনি হায়না মৈরা পায়বীশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা শীন্দুনা লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংগী অপুনবা ৱাকৎ মীফম অমা সিনাম লৈকায় পুখ্রি মপানদা পাঙথোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা চৈরাওচীংদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মরী লৈনবা ওসিগী অয়াবা অমদি লৈকায় মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা চঙবা য়ারোই, কান্নদবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং হনবীখ্রো, মণিপুরদগী অসাম রাইফল্স লৌথোকউ, অথুবা মতমদা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকউ, মণিপুরদা নার্কো টেররিজম লৈহনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়াগা লোয়নননা চৎখিবা ৱাকৎ মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায় তাবুম পুখ্রি মপাল মৈরা পায়বীগী এদভাইজর খাঙেনবম বিলাসিনিনা হায়খি, ঙরাং লাক্লিবা রেপিদ এক্সন ফোর্সশিং অদু গাড়ী ১২ রোমদা লাকপনি। লাক্লিবা অদু মণিপুরগী পুলিসসু য়াওই অদুবু গাড়ীদু ৱাইরকপনি হোম দিপার্টমেন্টনা থারকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু মখোয় লাকপা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। মখোয়দি চীং উবা য়াদে বঙ্কর শাগদবগী লৈবনি। জিরো মাইলদা লৈবা মী কুংলবা মফমসিদা লাকপা ঙম্লগদি চীংখোং চীংয়াদা লৈবশিংদি কয়াম ৱারমগনি। রেপিদ এক্সন ফোর্সশিং অদুনা চৈরাও চীংদা কোয়বা য়েংবা লাকপনি হায়রগা করিগী স্মোক বোম য়াওনা পুরক্লিবনো। অঙাং অমসু য়াম্না থিনা ফুরম্মী নুপী ফাওবদা খুৎ থানি, স্মোক বোমসু কাপ্লম্মী। ঐখোয়না মখোয়বু চ্যেক তৌবদা অকোনবা গাড়ীসিদা ফারগা তৌবনি। চ্যেক তৌবা অসিদা চানবা অমদি য়ুহিদাকনচিংবা কয়াসু য়াওরমখি।

হৌজিক লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা চৈরাওচীং অসিদা করম্বা মখলগী পিক্লিক লাক্লিবনো। করম্বা অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা থাংমৈবন্দগী চৈরাওচীংদা লাক্লিবনো হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফনা য়াম্না চানিংবা থক্লিংবা লৈরগসু ক্লব অমদি লৈকায়গী অয়াবা লৌরগা য়ানবগী মখাদা চঙবা য়াগনি। অদুনা কনাগুম্বা অমত্তা রেপিদ এক্সন ফোর্স ওইগেরা, অসাম রাইফল্স, বিএস এফ, ইন্দিয়ান আর্মি ওইগেরা কনা অমত্তনা চীং অসিদা নিয়ম কায়না থবক তৌবা য়াদে হায়বসি থিংদুনা লাক্লিবনি। মখা তানসু অমুক হন্না তৌবীগনু। মণিপুরদা লাক্লিবসি মৈতৈ মচা ঙাকপীবা লাক্লিব্রা, হাৎপা লাক্লিব্রা। অদুনা অসাম রাইফলসনচিংবা মণিপুরদগী লৌথোকপীখ্রো, ষ্টেট ফোর্সকা ঐখোয় মীয়ামগা কুকি লালহৌবশিং থেংনজরগে।

মরমদি মেজোরিটি ওইরিবা মৈতৈদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা অতম্নবা হাৎপা তুপ্পা তৌরক্লি। মসিদা য়েক্লৌমী ওইরিবা ইফুরুপ ইরৈচাশিংনা পুল্লগা লান্থেংমিন্নবা মথৌ তারে। ইন্দিয়াগী লম ওইরিবা মণিপুরদা মপানদগী চঙলকপশিংনা হোমলেন্দ তাল্লকপদা সেন্টর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈরি। ঐখোয়বু তুমিৎ কাংদৌনা উরিবা মরম্না য়েক্লৌমীশিংনা থেংনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

### লৈঙাক্লা সিদ পোলিসি থম্বীদবনা লৌমীশিংনা মথৌ তাবা মরুশিং ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরে

**ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):** থা অনী হেল্লবা মণিপুরদা চিন কুকি নার্কো টেররিষ্ট কাঙবুনা মীচম মীয়ামদা ওনশিন্দুনা মীহাৎ মীপুন অমদি য়ুম মৈ থাবনচিংবা য়াওনা তৌরকপদগী থা অনী হেল্লবা ফাওবদা ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্টরগী লৈঙাক্লা লাকশিনবা ঙমদনা লৈরকপদগী মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনসু চপ চানা অৱাবা মায়োক্লরি।

হৌজিক লান মনুং ওইরবসু মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা চানবা ফৌ অমদি অতৈ চিঞ্জাকশিং পুথোকপা মথৌ তাবনা লৌমীশিংনা লৌবুক্তা কুমদুনা মতম মতমগী মহৈ মরোং পুথোক্লকুবা এগ্রিকলচর মণিপুরগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মথৌ তাবা সিদশিং মরাং কায়না থম্বীদবনা লৌমীশিংদা অৱাবা কয়া থেংনরি।

হন্দক্কী চৎলিবা জুলাই থা অসিগী ময়াই চবুক্তা লৌ পালহৌদ্রগদি মখা তানা পানবদা মহৈ চারোইদবনা লৌমীশিংনা অঙম্বা উপায় পুথোক্লদুনা লৌ পান্নবা হোৎনরি। মরু ওইনা ফৌদি থিরকপদা মণিপুর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মরাং কায়না মীয়ামদা ফৌদি ফঙহনবা ঙমদবনা লৌমীশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা থেংনরি।

অকুৎপা লৌফমদদি ঈশিং খরা ফঙলগসু অতোংবা অমদি খরা কাংথক নাইবা লৌফমশিংদদি ঈশিং লৈতবনা লৌমীশিংনা লৌ উনবা হোৎনবদা খুদোংচাদ্রে। অদুগুম্বা অকুৎপা মফমদা লৌ পান্নবা হোৎনরগসু লৌ পানবা য়াদ্রবা অমদি ঈশিং ফঙদ্রবা লৌমীশিংনা লৈঙাক্কী মরু ওইনা চুজাক, শগোলহৱাই অমদি চানানচিংবা থানবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংই।

হিরম অসিদা লৌমীশিংনা চুজাক, শগোলহৱাই অমদি চানানচিংবা থানবা হোৎনবদা মসিগী মরু সিদ অসি ফঙদবনা লৌমীশিংদা খোইরাং খোইশাওনবা অমদি পেন্দবা কয়া থোক্লে।

হিরম অসিদা মণিপুরগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংগী মথৌ তাবা চুজাক, শগোলহৱাই অমদি চানানচিংবা মরুশিং অসি ফঙহনবীরগদি লৌমীশিংনা ফৌ পুথোকপা ঙমহৌদবা মফমশিং অদুদা অতোপ্পা মল্টি ক্রোপশিং পুথোকপা ঙম্লগদি লমদমসিগী মীয়াম্না চাথোক্তা অহানবা লাকপদা লৌমীশিংনা ঙম্রবা হোৎনরগসু হায়সু মহাক্কা মখা তানা ফোঙদোকখি।

### মৈনা চাকপদা অহল অমা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):** চহী য়াল্লবা অহল অমা লৈকায়গী ক্রিমেটোরিয়মদা অমোৎ অকায় ময়াম অমা খোমজিল্লগা মৈ তিকপদগী খঙহৌদনা মশা চাক্লকপদগী লৈকায়গী মীওইশিং থেংনরক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৭ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোঞ্জেং লৈকায় কৈথেল মনাক্কী ক্রিমেটোরিয়মদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিং ইরেংবম মনিধোন (৮৪) কৌই। মহাক্লা মৈ চাকপা অদুদা লাউরকপদগী মনাক নকপদা লৈবা লৈকায়গী মীওইশিংনা লৌখৎলগা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রেবনি হায়রি।

### মতম চানা ঈথৈ লৌখোংশিং শেম্বীদবনা নোং খজিক্তং চুবদা ঈশিংনা থুল্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচএনএস):** গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ঈথৈ লৌখোংশিং অসি নোংম নোংমগী পীশিল্লক্তুনা হৌজিক্তি মমিংতগী ওইনা লৈরে।

হায়রিবা দ্রেনশিং অসি পীকশিনবতা নত্তনা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা অমোৎ অকায়শিং থাধবা অসিনা দ্রেনশিং অসি মোৎশিনবতা নত্তনা লায়না তিলনা কয়া পোল্লকপা য়াবগী মফম ওইরে। দ্রেনশিং অসি মোৎশিনবনা মরম ওইদুনা নোং অমুক চুবা, নুংশা অমুক শারকপদা মদুগী নমথীবা মনম্না লম্বী চৎপা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

অয়ুক অঙনবা অমদি নুমিদাংৱাইরমদা ৱাক্কিং চৎলিবা নহা অমদি অহলশিংনা ফোঙদোরকপদা ইশাগী লৈকায়গী ইরম নালাশিং অসি নীংথিনা তরু তানা থম্বীরগদি কাঙ মকোন ওইদুনা লৈরিবা অমদি তিল কাং কয়াগী মকোল ওইরিবা অসি লৌথোক্লগাদি হেন্না ফবা তরু তনানবা অমা ওইবা ঙমগনি। মদুনা মনাক নকপদা লৈরিবা মীওইশিংনসু নুমিদাংগী মতমদা কাঙ য়াম্না হৌরক্তুনা কাঙ হিদাক লৈবগী শেল চাদিং তৌরিবা অসিসু হন্থহনগনি হায়রি।

### মণিপুরগী লান লোইশিন্নবা খন্নবগীদমক...

*লামায় ১গী মখা...*অচৌবা লাননি। মসিদা ষ্টেট অমসুং সেন্টর লৈঙাক্লা লান অসিবু লোইশিল্লগে হায়বগী ৱাখলদি খনবা মান্দ্রে হায়খি।

খুদম ওইনা হায়রবদা চার্টর ফ্লাইট অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উন্নরুরবা মতুংদা তম্পাক্কী শরুক্লা চীফ মিনিষ্টরনা কন্ট্রোল তৌবা অদুগা চীংগী খূৎলায় পায়বশিংবুনা হোম মিনিষ্টরনা লাকশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু হায়দোকখিবা ৱাফম অদুগী করি মহয় লৈরবগে হায়না লৈঙাক্তা ওনশিল্লগা হংখি।

চীংদসু মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনদে, তমদসু হোৎনদে। কাপ্নবা, হাৎনবা লেপ্তনা অদুম চৎখরি। নাকল অনীমক্তা টেন্সন ৱাংনা লৈনরি। অদুবু নাকল অনীমক্লা ৱারী শান্ননবা লম্বী য়াৎকদবনি হায়খি। হোম মিনিষ্টর লাক্লল্লে, পিছ কম্মিটি শেম্লক্লে অদুবু থা অমা হেল্লবা ফাওবদা পিছ কম্মিটিনা করিগুম্বা অমত্তা পাঙথোক্ত্রে হায়খি।

লোয়ননা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা মখা তানা হায়, ঐখোয়দি য়াম্না তোয়না হায়মন্দনা ইকায়বা ফাওরে। লৈঙাক অসি নীংখাইরে। লৈঙাক অসিনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপা ঙমদ্রে। ফীভম অসি চীফ মিনিষ্টর মশানসু য়ারে। পার্টি ময়াম্না চীফ মিনিষ্টর মশানা খঙনা রিজাইন তৌগদবনি হায়খ্রে অদুবু হৌজিক্তি রিজাইন তৌগদবনি হায়বা ফাওবদা অকিবা পোক্লে। করিগীনো হায়বদা চীফ মিনিষ্টর রিজাইন তৌ হায়রুরগসু তৌবা য়াদে হায়দুনা থোক্লরকপা য়াওরে। ঐখোয়গী মণিপুর নেচরেল পোলিটিক্স থুগাইরকপা লম ওইরে হায়খি। সী এস ওশিং অমসুং ইমা ময়ামগী মীফম ফমদুনা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা এসেমব্লি মীফম ফম্নবা হায়খ্রে। হয়েং নুমিৎ মঙানি শুগদৌরে অদুবু এসেমব্লি মীফমগী নোটিস থোরকপদি লৈতে হায়খি। পোলিটিকেল পার্টি ১০না পুল্লগা এসেমব্লি মীফম কৌনবা গভর্ণরদা হায়রুরে অদুবু ফমগনিসু হায়দে, ফমলোইসু হায়দে হায়রদুনা মসিনা তাকপদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসিগী মতাংদা এসেমব্লিদা খন্ননীংদে হায়বনি হায়খি।

মরম অসিনা পোলিটিকেল পার্টি ১০গী মহুৎ শিল্লদুনা মীয়ামদা হংনীংলিবা ৱাহংদি এসেমব্লি মীফম কৌরগা খন্নবদা কিরিবা করিগীনো। মীফম পাঙথোক্লগা খন্নদুনা লান লোইশিন্নবা ৱারী শান্নবগী থবক হোৎনফম থোকই হায়খি।

ACI
ADVANCED COACHING INSTITUTE
SINCE 2011
MANIPUR
( ACI ) ADVANCED COACHING INSTITUTE
LARGEST & TRUSTED PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
PRODUCING MAX POSITION HOLDERS IN BOTH COHSEM & BOSEM EVERY YEAR
HURRY !! LIMITED SEAT !! FIRST COME FIRST SERVE !!
SEPARATE CBSE AND BOSEM CLASS
XI & XII( Sc/Arts/Com) FOUNDATION STARTED FROM 3rd,5th & 6th July
SPECIAL CONCESSION FOR GOVT. SCHOOL/ACIAN/ST/SC /FAR DISTANCES
EXPERTED CBSE & BOSEM EXAMINER'S UNIQUE TEACHING
VI TO X (SEPARATED CBSE & BOSEM) 3rd,5th,6th & 7th July respectively
EVERY SUNDAY MOCK TEST , PRINTED STUDY MATERIAL, SPECIAL SUNDAY CLASS, EXTRA CLASS FOR WEAKER STUDENTS
REGULAR MEDICAL AND ENGINEERING FOUNDATION COURCE
1 Yr NEET & JEE FOUNDATION COURSE ( XII PASSED OR APPEARING) : 5TH JULY
2 Yr. NEET & JEE FOUNDATIONN course (XI APPEARING OR XII PASSED) : 7th July
7 Months FOUNDATION COURSE ( 12 PASSED OUT ) : 12TH JULY
1. 30 TIMES SUNDAY TEST
2. CHAPTERWISE MOCK TEST
3. MEGA (WHOLE CHAPTER 5 (FIVE)T TIMES TEST
FREESHIP : Scoring 400 marks & above in NEET-UG 2023
Scoring 340 marks & above in NEET-UG 23 for ST
Scoring 300 marks and above in NEET-UG 23 for sc
We sue 100% ..if u are not succeed after once u join our NEET/JEE Course then we will support u without any course fee forever. R U READY ?
Faciliteis : van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , EXTRA CLASS of Manipuri and English and optional subject for x and xii provided
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105
HL-B/8193/2-26 July (Alt)